# টেরোরিষ্টশিং মুৎথৎনবা আর্মিনা ৱারেপ লৌখ্রে ঃ মোদি

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

পুলৱামা এটেক মতূংদা টেরোরিষ্টশিং অমসুং মখোয়বু চংজফম পীবশিং মুৎথৎনবা আর্মিনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে অমসুং সি আর পি এফ লান্মী ৪০গী থৱাই কৎখিবা অদুনা টেরোরিজমগী য়ুমফম অদুমক মরু ফুক্নবা মতম পূম্বদা ঐখোয়বু থৌনা পীরগনি হায়খ্রে।



মহাক্কী ৫৩শুবা অমসুং লোক সভা মীখলগী মমাঙদা অরোইবা 'মন কী বাট'তা নরেন্দ্র মোদিনা কাংলূপ জাৎকী, কাংলূপ নাইবগী, রিজনেলনিজমগী অমসুং অতৈ খেন্নবা কয়া কাওথোক্তুনা লৈবাকসিনা ময়োক্নরিবা টেরোরিজমগী শীংনবা অসি পূন্না থেংননবা মীয়ামদা শৌগৎনবা অপীল তৌখি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা আর্মি, সি আর পি এফ অমসুং পুলিসনা চথবা অপূনবা ওপরেসন অমদা জৈশ–ই–মুহম্মেদ টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখিবা অদুগী মতাংদা ফোঙদোকপা ওইনা পুলৱামা থৌদোক অদুগী পূং ১০০ গী মনূংদা তৌফম থোকপা লমন খুন্বগী থবক মপূং ফানা পাংথোকখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

লৈখিদ্রবা সি আর পি এফকী মীওইশিংগী ইমূং–মনূংশিংগী পাউখুমশিং অদুসু মহাক্না পনখি অমসুং লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখ্রবশিং অদুগী ইমূং খুদিংমক্কী ৱারী অদু থৌনা পোক্নিংঙাইগী ইথিলনা পীকথল্লি হায়খি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুদা ঈকাইখুম্নবা উৎলদুনা মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা মখোয়গী মফমদা নেসনেল ৱার মেমোরিয়েল অদু কথোকনি।

অসিগুম্বা মেমোরিয়েল অমা লৈতবনা মহাকপু মতম পূম্বদা থম্মোয় শোকহল্লি হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ৱার মেমোরিয়েল অদুদা ঐখোয়গী লৈবাকসিগী মীয়াম্না খোঙচৎ অমা চৎপা হায়বসি অশেংবা লাইফম অমদা লাই খুরুম্বা চৎপা অমগা মান্নগনি হায়না ঐনা থাজৈ। নেসনেল সোলজরস মেমোরিয়েল অসি ঐখোয়না নীংতম্বা ফঙখ্রবা মতুং লৈবাক্কীদমক অথোইবা কথোকপগী থবক তৌখ্রবা মীওইশিং অদুগী মফমদা লৈবাকসিগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী শকখঙ–খুদম অমনি হায়খি।

মহাক্কী 'মন কী বাট' অদুদা ১৯০০গী মার্চ ৩দা বৃটিস লান্মীশিংনা ফাখিবা ট্রাইবেল ৱারিয়র বিরসা মুন্দা, মার্চ ৩দা চহীগী মপোক কুমওন থোক্লিবা লময়ানবা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট জামসেটজি টাটা অমসুং ফেব্রুৱারি ২৯দা পোকখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মোরারজি দেশাইদসু মহাক্না ঈকাইখুম্নবা উৎখি।

মোরারজি দেশাইবু খ্বাইদগী অচুম্বা চৎপা থকশি–খাশি নাইবা লূচিংবশিংগী মনূংদা অমনি হায়না শীংথারদুনা মোরারজি দেশাইনা লূচিংখিবা ইমর্জেন্সি মতূংগী অহানবা গভর্ণমেন্ট অদুনা ৪৪ শুবা কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট অদু তৌরমখিবনি। মদুনা সুপ্রিম কোর্টকী পৱারশিং অমুক হনজিলহনখিবনি লোয়ননা ইমরজেন্সিগী শাথিবা আইনশিং অদু মুৎথৎখিবনি হায়খি।

১৯৭৫তা লৈবাকসিদা ইমর্জেন্সি থমজিন্দুনা দেমোক্রেসিবু হাৎতোকখিবা মওং অদু মতূংদা কৈদৌঙৈদসু অমুক হন্না থোক্তনবা মোরারজি দেশাইনা হোৎনরমখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মখা তাখি।

# ঐখোয়না ন্যুক্লিয়ার এটেক অমা তৌরুবদা এটেক ২০ না ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু লোইশিনখিবা য়াই ঃ পর্ভেস মুশারফ

***অবু দাবী, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

কারাচীদা ফোঙবা 'দোন' কৌবা ইংলিস পাউ–চে অমগী মতূং ইন্না করিগুম্বা পাকিষ্টানননা ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়ার এটেক অমখক তৌরুবদা ন্যুক্লিয়ার বোম ২০না এটেক তৌরক্তুনা ঐখোয়বু লৈবাক অদুনা লোইশিনখিবা য়াই হায়না পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্ভেস মুশারফনা হায়খ্রে।



য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ই)দা ইরাই নুমিৎতা পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা পাকিষ্টানগী হান্নগী মিলিটরি দিক্টেটর, জেনরেল (রিটয়ার) পর্ভেস মুশারফনা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী লৈনরিবা মরিশিং অমুক্কা হন্না খুদোং থিনিংঙাইগী তাঙ্কক অমা য়ৌখ্রে। মসিদা ন্যুক্লিয়ার এটেক অমত্তা তৌনরোইদবনি।

করিগুম্বা ঐখোয়না এটোমিক বোম অমনা ইন্দিয়াদা এটেক তৌরুবা তারবদি য়ুমলোন্নবা লৈবাক অসিনা অদুগুম্বা বোম ২০না এটেক তৌরক্তুনা ঐখোয়বু লোইশিনখিবা য়াই। মরম অদুনা অমত্তা ঙাইরবা ৱারোইশিনদি বোম ২০ না ঐখোয়দা মখোয়না এটেক তৌরকপা ঙমদনবা এটোম বোম ৫০ মখোয়দা ঐখোয়না হান্না এটেক তৌবা অসিনি।

বোম ৫০না অহানবা এটেক অদু তৌনবা নখোয় থৌরাং তৌরব্রা হায়না মহাক্না হংখি।

পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রসিদেন্টনা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লিবসি পাকিষ্টানদা লৈবা জৈশ –ই–মুহম্মেদ কৌবা টেরর গ্রূপ অদুনা চখখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা সি আর পি এফ ৪০ হাৎখিবা পুলৱামা এটেককী চয়োল অমা হেল্লবগী মতূংদনি।

ইজরেলনা পাকিষ্টানগা মরি থম্নবা পামখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ওল–পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ (এ পি এম এল)গী চীফ ওইরিবা হৌজিক য়ু এ ইদা মশা মতোমতা লোই থাজদুনা লৈরিবা মুশারফনা মহাক্না মাগী লৈবাক্তা পোলিটিকেলগী খুদোঙচাবা অফবা ফিভম অদু উরবা তুংদা পাকিষ্টানদা হন্নবগী থৌরাং তৌরি হায়খি।

ঐগী মততা পোলিটিকেলগী ফিভম অদু ফৈ অমসুং ঐগীদমকসু চান্নগনি। মিনিষ্টরশিং অদুগী তঙ্খাইদি ঐগীনি, লো মিনিষ্টর অমসুং এট্টোর্নি জেনরেল অদুসু ঐগী উকিলশিংনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হান্নগী পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট নৱাজ শারিফপু প্রসিদেন্টকী ফমদগী তাহ্নোকখিবা মিলিটরি কু অমগী তূংদা মিষ্টর মুশরফনা ১৯৯৯দা পাকিষ্টানগী লৈঙাক খুর্জি পায়শিনখিবনি। চহী ৯ প্রসিদেন্ট ওইরবা তূংদা মহাকপু লৈঙাক্কী শক্তি পায়বদগী তাহ্নোকখি অমসুং নৱাজ শরিফনা অমুকহন্না লৈঙাক পায়খি।

# নেভিগী ড্রিলদা ইরাননা সবমেরিনদগী ক্রুজ মিসাইল কাপখ্রে

***টেহরান, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

ইরাননা অহানবা ওইনা সবমেরিন অমদগী ক্রুজ মিসাইল অমা কাপখ্রে। মদু ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজদা হৌজিক চথরিবা চহীগী মিলিটরি ড্রি অমগী মনূংদনি হায়না মখোয়গী মফমদুগী মেদিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী মথক্তা ইন্টরনেসনেলগী ওইবা সেঙ্কসন্সশিং থম্বা মরমদগী মখোয়গী অয়াম্বা খূৎশু–খূৎলাই মশানা শাজৈ। অদুগুম্বা মখোয়গী মিলিটরিগী খূৎশু–খূৎলাইগী পুক্কেগী মতাংদা লৈবাক অসিনা য়াম্না তোয়না তৌবা–ঙম্বশিং ফোঙদোকই।

পর্সিয়ান গল্ফকী মচিন ওইরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ হায়রিবসি মালেমগী ইনর্জি সপ্লাইগী মরুওইরবা অখুবা ঈশিং লম্বী অমনি। ঈশিং লম্বী অসি ফাওদুনা মালেমগী ওইনা সমুদ্রদা পুবা থাওগী অহুম থোকপগী শরুক অমরোম পুদুনা চৎলি।

ৱার্ল্ড পৱারশিংগা তৌনবা ইরানগী ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার এগ্রীমেন্টতগী ৱাসিংটননা হৌখিবা চহীদা তোকখ্রবা তূংদা ইরানগা য়ু এসকী মরক্তা উংখৎনবা ৱাংখৎলকখি অমসুং য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা পাকশনবা সেঙ্কসন্সশিং অমুক হন্না থমজিল্লকখি।



বিলায়াট–৯৭ হায়না কৌবা নুমিৎ হুম্নিগী ড্রিল অসিদা সবমেরিনশিং, লানগী প্লেনশিং, হেলিকোপ্টরশিং অমসুং সরভিলেন্স প্লেনশিং শরুক য়াখি। ড্রিল অসি ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিলগনি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ইরাননা লৈমায়দগী লৈমায়দা কাপ্পা মিসাইলশিংসু কাপখি।

# ভেনেজুয়েলা ঙমখৈদা খূৎ থোক্নখ্রে, টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে



***উরেনা, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

ভেনেজুয়েলাগী অনাবা অমসুং মপূক লাম্লবা মীয়ামগীদমক য়ু এসনা থারকপনি হায়বা তেঙবাং অদু পুশল্লকপা য়ারোই হায়না প্রসিদেন্ট নিকোলাশ মাদুরোনা ঙমখৈ থিঙজিনখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী ঙমখৈ টাউন উরেনাদা থল্লিবা নেসনেল গার্দ ট্রুপশিং অদুনা মাদুরোইগী ওর্দর ঙাক্কদ্রা হায়বসিদা মীয়ামগী মীৎয়েঙ চঙশিন্নখিবগা লোয়ননা দিমোনষ্ট্রেটরশিং অদুনা বেরিকেদশিং থমখ্রে, টয়ারশিং মৈ থাখ্রে।

ভেনেজুয়েলাগী ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোনা তেঙবাং অদু চংহলক্নবা অপিল অমা তৌরকখ্রবগী তূংদা নেসনেল গার্দ ট্রুপ ৪না ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মাদুরোগী সোসিয়েলিষ্ট গভর্ণমন্টেকী ওর্দর ইনগদ্রা ইল্লোইদ্র ককঙাওনখি।

ট্রুপশিং অদুনা আর্মোর ভেহিকলশিং থৌদুনা লৈবাক অনী শন্নরিবা থোং অমা লাহ্নোক্নগা মেটৈল বেরিকেদশিংদা থেঙগাইখি অমসুং গারিশিং অদুদগী চোংথরগা কলম্বীয়াগী নাকন্দা চেনশিনখি।

ট্রুপশিং অদুগী মনূংদগী ওফিসার অমনা কলম্বীয়াগী মনূংদা চংখ্রবা তূংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা নখোয়না গভর্ণমেন্টকী মথক্তা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা য়ারোই। মদু লৈবাক্কী ময়োক্তা লান হৌবগা মান্নে হায়খি।

আর্মি, এয়ারফোর্স, নেভি নৎত্রগা নেসনেল গার্দকী ওইরবসু ট্রুপশিং অদুগী মনূংদা মীওই কয়ামরুন্না থোক্লিবা থৌদোক অদু য়াখিদে।

ভেনেজুয়েলাগী লৈঙাক পায়রিবা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী লূচিংবশিংনা য়ু এসনা থারক্লিবা তেঙবাং অদু মখোয়না অরোনবা শক্লোনগী লান্দারকপা অমনি হায়খি অমসুং তেঙবাং অদু থারকপগী মহুত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থল্লিবা ফাইনান্সিয়েল অমসুং ওইল সেক্টর সেঙ্কসন্সশিং লৌথোক্তুনা ভেনেজুয়েলাবু তেঙবাংগদবনি হায়খি।

# GAS TODAY

**Imphal L P G Service**
Booking : 14/02/19
Valid : 08/01/19
Sl. No. : 526
Stk : 306, 19& 5kg Avali..
Time : From 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Khumbong Indane**
Booking :18/01/19
Sl. No. : up to 446
Valid : 17/01/19
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**M. M. Gas**
Booking : 10/01/19
Valid : 05/01/19
Stk : 578
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 19/01/19
Valid : 28/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 22/02/19
Valid : 10/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 23/12/18
Valid : 08/12/18
Stk : 918
Time :08.00 to 11.00 a.m

**J Rongmei Indane**
Sl. No. : 31451 to 31700
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Ashangbi Indane**
Booking : 31/12/18
Valid : 23/12/18
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m.

# জে এন্দ কেদা খূৎ থোক্নবদা দি এস পি ১ শিখ্রে লান্মী ৩ শোকখ্রে

***শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা আর্মি, সি আর পি এফ অমসুং পুলিসনা অপূনবা ওপরেসন অমা চখবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে। অদুবু সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমা শিখ্রে অমসুং লান্মী ৩ শোকখ্রে।

থৌদোক অদু শ্রীনগরদগী কিমি ৬৮ লাপ্পা কুলগামগী টুরিগামদা থোকখিবনি। খূৎ থোক্নবা অদুদা দিপুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমন কুমার শিখি। টেরোরিষ্টশিং অদুগা খূৎ থোক্নবদা মহাক্না মমাঙ থাদুনা পুলিস টিম অদুবু লূচিংখিবনি।

# নুংশিনবী নুপী অমা হাৎলম্লগা নুপা অমা সুইসাইদ তৌদুনা শিজখ্রে

***জম্মু, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

মশাগী চহী ২৪ শুরবা নহা অমনা মহাক্কী য়ুম মনূংদা সুইসাইদ তৌদুনা শিজদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী নুংশিনবী নুপী অদু হাৎলগ্লে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা রাকেস কুমার অমসুং চহী ২৫ শুরবী শালু দেবী ঙরাং থাংজ নুমিৎতা জম্মুগী বিসনাহাদা য়ুম অমদুগী মনূংদা শিনা ফংখি। কুমারগী হকচাং অদু মাগী কাগী সিলিংদগী থৌরি য়াল্লগা লৈরম্মি। অদুগা নুপী অদুগী হকচাং থাঙনা শোকখিবগী দাগফমগা লোয়ননা অনকপদা তাদুনা লৈরম্মি হায়না পুলিস অদুনা হায়খি।

# কুম্ভ মেলাদা অমোৎ–অকাই শেঙদোকপশিংগী মখোঙ পি এম মোদিনা চামথোকপীখ্রে

***প্রয়াগরাজ, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

হৌজিক চথরিবা কুম্ভ মেলাগীদমক প্রয়াগরাজগী শঙ্গমদা ঈরুপ্লবা তূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমোৎ–অকাই শেঙদোকপা মীওইশিং খরদা মাগী ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে।

ঙসি অমোৎ–অকাই শিৎতোক–শেঙদোক্লিবা মীওইশিং অদুবু ঈকাইখুম্নবা উৎতুনা শ্বাছ কুম্ভ শ্বাছ আভার কৌবা এৱার্দশিং পীখি।

অদুম ওইনমক, আভার (ঈকাইখুম্নবা) অদু টেলিভিজন কেমেরাশিংগী হেক মমাঙদা মীয়াম্না শুংথা–থাজরোইদবা মওং অমা ওইখি। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা এৱার্দীশিং অদুগী মনাক্তা চংশিলক্লগা মখোয়গী মখোঙ চামথোকখি অমসুং শেংনা তৈথোকপীখি।

চহী লীশাংশিংনা চখরকপা থাইনদগী লৈরক্লবা থৌরম অমা ওইরিবা কুম্ভ মেলাদা গঙ্গা, জমুনা অমসুং শরশ্বতি তুরেল ৩গী ঈতিন্নফমদা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা ঈরুপ্নে।

তিল্লিবা য়াম্লবা মীয়াম অদু য়েংলগদি মেলাগী লম্পাকশিং অদু লূনা–নান্না থম্বা হায়বসি শীংননিঙাই ওইবা থবক অমনি। মদুগীদমক লৌখৎলিবা পাকচাওরবা থবক অদু শন্নপনা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, দসবিন লিশিং ২০ হেন্না থল্লি, টোইলেট লাক্ষ ১নি। য়ামখ্রবা মীয়াম্না মোৎহল্লম্বশিং অদু শেঙদোক্নবা অমোৎ–অকাই শেঙদোকপশিংনা মতৌ করন্না থবক তৌরমগদগে হায়বসি ৱাখলনা লামশিনবা ফাওবদা লূনা থোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# নুপী গেঙরেপ তৌখিবা মীওই ৩ ফাখ্রে

***মুজাফরনগর, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

মশাগী চহী ২৩ শুরবী নুপী অমবু ফাখিবা অমসুং রেপ তৌখিবগী মরানদা উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগরদগী ঙসি পুলিসনা মীওই ৩ ফাখ্রে।

ফারবা মীওইশিং অদুদি শুবম, গৌরব অমসুং অতুল কৌই। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মানসুরপুর পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা খূঙ্গং অমদা মীওই ৩ অসিনা ফেব্রুৱারি ২২দা মহাকপু ফারগা গেঙরেপ তৌখিবনি হায়না নুপী অদুনা ফোঙদোকই হায়না পুলিনা হায়রি।

# কাস্মিরদগী কন্যাকুমারি ফাওবদা লৈবা আইন্না য়াদবা ইম্মিগ্রেন্ট খুদিংমক তানথোক্লগনি ঃ অমিত শাহ



***জম্মু, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা জম্মুদা বি জে পিগী বিজয় শঙ্কল্পা শম্মেলনদা ৱা ঙাংবদা অসাম মোদেল লৌরগা কাস্মিরদগী কন্যাকুমারি ফাওবদা লৈরিবা আইনা য়াদবা ইম্মিগ্রেন্ট খুদিংমক বি জে পিনা লৈবাক অসিদগী তান্থোকখিগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি গভর্ণমেন্টনা টেরোরিজমগী মতাংদা করিগুম্বা শন্না অমা ফাওবগী চাংদা য়াথোক্তুনা লৈরোই হায়রদুনা মোদি গভর্ণমেন্টনা মিলিটেন্সি থেঙননবা অচেৎপা ৱারেপ লৌরগনি হায়না পল্লদুনা বি জে পি চীফ অসিনা তোঙান – তোঙানবা হীরম কয়ামুক্কী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ভারতিয়া জন শঙ্ঘ লূচিংবা শ্যামা প্রশাদ মুখর্জিনা মহাক্কী মপূন্সি কথোকখিবা মফম অদু ঐখোয়গী লমনি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা ফেব্রুৱারি ১৪গী এটেকতা সি আর পি এফ পার্সোনেল ৪০ শিখিবা অদুসু শ্যামা প্রশাদ মুখর্জিনা মপূন্সি কথোকখিবা অদুগুম্বনি হায়না মহাক্না হায়খি। সি আর পি এফ জৱানশিংনা কথোকখিবা অদু কৈদৌঙৈদা লেন্না খক মাঙলোই হায়না অমিত শাহনা মখা তাখি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীবগী ময়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক শ্যামা প্রশাদ মুখরজিনা ১৯৫৩ মে ১১দা কাস্মির মনূং লান্না চংশিনবদা ফাখিবনি। মহাক অচৌবা হার্ট এটেক অমা তৌরকখিবদগী ফাদুনা থমলিঙৈগী মনূংদা জুন ১৯৫৩দা শিখি।

অসামদা পাংথোকখিবা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অদু পল্লদুনা মহাক্কী পার্টিনা লৈবাক অসিদগী আইন্না য়াদবা ইম্মিগ্রেন্ট খুদিংমকা শোয়দনমক তানথোকখিনবা কাস্মিরদগী কন্যাকুমারি ফাওবদা মদুগা মান্নবা খোঙথাং অমা পায়খৎকনি হায়না অমিত শাহনা হায়খি।

# কলাসনিকোবনা মালেমদা এ কে ৪৭ খুদোল তমখি, হৌজিকনা সুইসাইদ দ্রোনশিং শারি

***অবু দাবি, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

মালেমদা ইতিহাসিক ওইরবা এ কে –৪৭ এসোল্ট রাইফল খুদোল তমখিবা রসিয়ান কম্পেনি অদুনা পাকশন্না অমসুং মমল হোংনা ফঙবা সোফিষ্টিকেটেদ দ্রোন ৱারফিয়ার টেক্নোলোজি শাদুনা মমাঙগী অদুগা মান্নমা লানবু রিভোলুসনাইজ তৌহল্লবা য়ারবা সুইসাইদ দ্রোন অমা মায়খুম হাংদোকখ্রে।



য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনূং অবু দাবিদা মালেমগী খূৎলাই শাবা অচৌবা কম্পেনিশিংনা মখোয়গী খূৎলাইশিং চহী ২–২ খুদিংগী উৎলিবা অমসুং খ্বাইদগী নৌবা খূলাইশিং য়োন্নবা হোৎনরিবা অচৌবা দিফেন্স একজিবিসন অমদা কলাসনিকোব গ্রুপনা এক্সপ্লোদিং দ্রোন অমগী মোদেল উৎখ্রে। ওফিসিয়েল ওইনা কে য়ু বি – হায়না মমিং থোলিবা দ্রোন অসি ফুট ৪ পাকই, পূংদা কিমি ৮০গী স্পীদতা পাইবা ঙম্মি। এক্সপ্লোসিব পাউ ৬ পুই হায়রি।

# চেন্নাই পার্কিংদা কার ১৫০ হেন্না মৈনা চাকখ্রে

***চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

চেন্নাই সিটিগী মপান্দা গারীশিংগী পার্কিং মফম অমদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতূংদা মৈ চাকপদা কার ১৫০ হেন্না মৈনা চাকখ্রে।

মৈ চাকপা অদু অকঙবা নাপীশিং মৈ চাকপদা নুংশিৎনা হুমদুনা পাকচাওনা শন্দোরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

ঙসি নুংথিল পূং ২ রোম তাবদা শ্রী রামচন্দ্র মেদিকেল কোলেজ মনাক্তা মৈ অদু চাক্লকখিবনি। মৈ মুৎথৎনবা ফয়ার টেন্দর ১০ থারকখ্রে। কারশিং অদু হৌখিবা চহী অমা হেন্না প্রাইভেট কম্পেনি অমনা পার্ক তৌখিবনি। অনৌবা কার খরসু য়াওই হায়না ফয়ার সার্ভিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

# স্কুল বসতগী কিদনেপ তৌখিবা মশাগী চহী ৬ শুরবা মচিন–মনাও ফাইবোক উত্তর প্রদেশকী তুরেন অমদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ***

মধ্য প্রশেকী চিত্রকূতগী ফেব্রুৱারি ১২দা স্কুল বস অমদগী কিদনেপ তৌখিবা মশাগী চহী ৬ শুরবা ফাইবোক মচিন–মনাও অনী উত্তর প্রদেশকী বন্দাদা তুরেল অমদা অশিবা হকচাং ওইনা লৈরম্বদগী ফংখ্রে হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অসিগা মরীলৈননা মীওই ৬ ফাখ্রে হায়না মধ্য প্রদেশকী পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



চিত্রকুৎ সেনিয়ার পুলিস ওফিশার চনচল শেখরনা অঙাং ফাবা মীওইশিং অদুনা অঙাং থাদোকমনগী শেনফম অদু লৌখ্রব তূংদা মখোয়না অঙাং অনী অদুবু হাৎতোকলমখিবনি হায়খি।

অঙাংশিং অদু নুং অমদা পূন্না পূনশিল্লমখি অদুগা তুরেল অদুদা থাদরগা হাৎখিবনি হায়খি। নোংমৈ পায়বা মমায়দা মায়খুম উপ্পা মীওই অনীনা ফেব্রুৱারি ১২দা স্কুলবস অমদা নমফুদা কাখৎলকখি অদুগা চিত্রকুৎকী ব্যুজিনেসমেন অমগী মচানুপাশিং অদু চীংথখিবনি। নুপামচা অনীমক অদু কিন্দরগার্টেনদা মহৈ তম্লিবনি।

স্কুল বস অদুগী সেক্যুরিটি ফুটেজদা মমায়দা ফিনা কুপশিনবা মীওই অনী অদুদা মুন্না য়েংদুনা অঙাং অনীদু ফমদুনা লৈবা উই।

অঙাং ফাবা মীওইশিং অদুগী খোঙগুল লীবা ঙমহনব, ই–পাউ পীবা ঙম্বদা লূপা লিশিং ৫০ রিৱার্দ পীগনি হায়না মধ্য প্রদেশগী পুলিসনা লাওথোকখি।

অঙাংশিং অদুগী ইমূং অদু উত্তর প্রদেশকী ঙমখৈ হেক ৱাংমদা লৈবা মরন্না অঙাংশিং অদু থিবদা উত্তর প্রদেশ পুলিসসু য়াওশিনখি। অঙাং ফাবদা চেন্নরিবা মওইশিংগী মনূংদা অমদি ইঞ্জিনিয়ারিং তম্বা অমনি। অতোপ্পা মীওই অদুনা বজরং দলগী মফমদুগী লূচিংবা অমা ওইরিবা বিষ্ণুকান্টা নৎত্রগা চোতু কৌবা অমনি হায়না পুলিস ওফিসার চনচল সেখরনা হায়খি।

অঙাংশিং অদুনা নুমিৎ খুদিংগী স্কুল কানবগীদমক ঙমখৈ লাহ্নোক্তুনা কিলোমিটর ৪ খোঙনা চৎলি হায়না শতনা দিষ্ট্রিক সিনিয়ার পুলিস ওফিশার শন্তোস সিংহ গৌরনা হায়খি। কিদনেপ তৌবগী থৌদোক অদু থাও লল্লোনবা অমা ওইরিবা অঙাংশিং অদুগী মপাগা নৎত্রগা মাগী ইমূংগা গেং অমগা য়েঙথিনবদগী ওইরম্বা য়াই হায়রি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-50**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 8 | 9 | | | | 6 | 2 |
| | 1 | | 6 | | 7 | 9 | | |
| 2 | | 6 | | | 5 | | 1 | |
| | 8 | | 2 | 1 | | | 9 | |
| | | 2 | | 9 | 6 | | | 1 |
| | 5 | 1 | | 8 | | | | 4 |
| 8 | | | | 5 | | 1 | | 6 |
| 1 | | | | | | 8 | | 9 |
| | 6 | | 1 | | | 2 | | |

**সনা–সুদোকু –৪৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 | 3 |
| 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 6 | 5 | 1 | 2 |
| 5 | 1 | 6 | 2 | 9 | 3 | 7 | 8 | 4 |
| 6 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 4 | 2 | 7 |
| 3 | 8 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 9 | 5 |
| 7 | 2 | 1 | 4 | 5 | 9 | 6 | 3 | 8 |
| 2 | 9 | 7 | 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 1 |
| 1 | 3 | 8 | 9 | 4 | 7 | 2 | 5 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 2 | 1 | 3 | 7 | 9 |